# ৱাখলনা চমম্নরক্লবদা...

পোত্থাফম খঙদ্রবা, লাংতক্লরবা পূক্লিংসিদগী করি ৱাখলবু শুংদোক্তুনা অপাবশিংদা স্যের তৌগদৌরিবনো? খল্লুরগা হেন্নদুম চমম্নরকই। মল্লবা থাওমৈ অমনা কৈদৌঙৈদা মঙাল পীদে। মঙাল পীরক্লবগীদমক্তা থাওমৈদুদা থাও হাপ্তুনা মৈরি চুখৎপা-তঙাইফদবা অমনি। ঐগী মল্লবা বুদ্ধিসিদগী থোক্লকপা ৱাহৈ খরসিনা কনাগী পূক্লিংবু ঙালহনগদৌরিবা।

ৱাখল তয়াং তশোয়নবীগনু। ৱারেংসিবু পাবীরিবা ময়ামগী পূক্লিং-মঙাল পীনবা ইজবা ৱারেং নত্তে। মল্লবা পূক্লিংসিবু ঙালহনবীনবা মঙাল নীবনি। মে ৩, ২০২৩দগী তপ্না-তপ্না খজিক-খজিক মমশিল্লকখিবা ঐগী পূক্লিং ৱাখল অনীমক কুইর কুইরগা ঙাস্থোরকপগী মহুৎ হেন্না হেন্না মমশিল্লকখিবদু ফেব্রুৱারী থা লোইশিল্লকপদদি পূম্মম মম্বগুম তৌরকখি। ঐখোয় পূনশিন্নসি, অমত্তা ওইসি হায়বা মীয়ামগী খোল্লাও অদু তাহনবা ঙম্বা থৌনাফবা, অপূনবা তেঙ্গোল অমা থোরক্লে খন' চাউথোকচরুবা, মীকূপকী ওইবা নাপল অদু উন'না নুংশাদা তুম্বগুম খঙহৌদনা মহী চেল্লকখি। শ্বায় মাঙখি। খনখি - হৌজিক্তি য়েক্লবগী থৌনা হাপকৎখ্রনি... মখোয়না নোংশানি খন্না কিরম্বা অথৌ লীচা হেপ্পশিং, ঊচীদা অমুক হনজিনখ্রে খন হরাও মথোয় কারল্লনি... অনৌবা এটেক হৌনবা অনৌবা থৌরাং য়াৎলল্লনি...। ৱাখলসি হেনজিনবা ৱাখল'লা? লম্মুক্লরিবা ৱাখলসিবু হেন্না লম্মুক্লহল্লি।

লাংতক্লরিবা ৱাখল লম্মুক্লরিবসিবু ঐহাক ইথন্তরা? হংলিবনি ইশাদা। খূৎলায় পায়দবা মীতৈদা খূৎলায় পায়বা কুকিশিংনা লান তাশিল্লকপদগী থোরক্লিবা মণিপুরগী ঈরাং হেন্না ফীভম লুশিল্লকখিবা - মোরে'দা মথৌ তৌরিবা মীতৈ পুলিস ওফিসর, এস দি পি ও চিংথাম আনন্দবু কুকিশিংনা হাৎখিবা, মতুং তারকপা থৌদোকশিংদা অতোপ্পা কম্মান্দো অনী অমা শিখিবা, কয়া অমা শোকখিবা... মীচমদা এটেক তৌরম্বা কুকিশিং, মণিপুর ষ্টেটকী খূৎলায় পায়বা মীতৈ সিফাইশিংদসু তৌরকখিবা... বোম অমদি নোংমৈগী এটেক'তগী হেন্দোক্তুনা মোরেগী কুকি সিভিলিয়ানশিংনা মীতৈ পুলিস অমসুং কম্মান্দোশিংদা ঈশিং পীবা লেপখিবা, পোৎ য়োনবা থিংখিবা থৌদোক অদুদগীনি। থৌদোক্তুদি কুকিনা মীতৈদা চত্থবা লাল্লোংগী শরুক অমনি খন্দোক্লসি। সিবু হেনবা থৌওং কয়া চত্থরকখিনি তুংদসু। তুরেলগী ঈশিংদা হু হাপচিন্দুনা তম্মীশিংবু পাক্তক্লা হাৎননবা হোৎনবা... জঙ্গলগী পোত্থোক, চীঞ্জাক্কী আইটেমশিংবু কেমিকেল ৱারগী মচাক ওইনা শীজিন্নবা... মতুংদা তৌগে খল্লিবা থৌরাং অমনি, খঙই ঐখোয় ঙম্নমক।

অদুবু, ফেব্রুৱারী ২২ অমসুং ২৭কী নুমিদাং ইম্ফাল ময়োলমক্তদা থোকখিবা থৌদোক খরা - করম করম্বা থৌদোক্লো ঐবু ইহনবীরনু, পাঙদবনি কিজৈ ঐ- মতাং/তানফম অসিদদি থোকফম শুপথোক থোক্তবা, 'চফু কায়রগা ক্বাক্লা হরাওবা' হায়বই থৌদৌ অদুমক্লি। ঐবু থম্মোয় কায়হনখিবা, থৌনা লিংজেল পূম্নমক ঙম্না হীকথহনখিবা, করি অমুক হায়গনি ইফূরুপসিদা থাজবা মাঙখিবতা নত্তনা ইশানা ইশাদা লৈরম্বা থাজবদুসু মাঙখিবনি। পূক্লিংগী ৱা কনাদসু স্যের তৌনীংদ্রে। কনাগসু ৱারী শাননীংদ্রে। হীরমসিদা অমুক হন্না ৱারেং ইনীংবা পোক্তরে। খল্লে - ঐসু তূমিন লৈরগে।

মশাগী পূক্লিং অমসুং ৱাখলবু মপূম ফানা লাকশিনবা ঙম্বা কনাবু পোকখ্রবগে তাইবঙসিদা। মদু ঙম্বা মহাপুরুষ কয়া মাঙলমচত্তা পোকখি হায়রিবশিংদুগী লাক্লবা পূক্লিং ৱাখলদুগী পোত্থোক্লি - ঙসি মশীং লাক'ঙমদ্রবা মীওই কয়াগী ৱাখলগী চীঞ্জাক ওইরিবা। মদু নীংশিংলগনি অতোপ্পা ৱাখল অমা পোক্লক্লিবা পূক্লিংসিদা- ইয়ূম মৈ চাক্লগবু ঐনা তূমিন য়েংদুনা লৈফম থোকপরা? মৈদু মূত্থৎনবা ঐগী তৌফম থোকপা থৌদাং লৈফম থোক্তবরা? থৌদাং অদু করিনো - খনফম থোক্লক্তবগীনি ঐনা ৱারেং অসি ইরিবা।

কুকিনা মীতৈদা লান্দারকপা, মীতৈনা লান ঙাকথোক্লুবসিদগী হৌজিক্তি মীতৈ তাবা লমদমদা কুকি অমত্তা লৈতরে। কুকি তাবা লমদসু মীতৈ অমত্তা লৈতরে। সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ী/ওফিসরশিং মাগী মাগী শাফগদবা মফমশিংদা ত্রান্সফর/রি-এরেঞ্জমেন্ট তৌদুনা থাংদোকখি। অদুগুম্বা এরেঞ্জমেন্ট তৌবা য়াদবা কয়া অমবুনা ঙসি ফাওবা লেম্না তোলোপ পীরি। অসিগুম্বা টেম্পরেরি এরেঞ্জমেন্ট অসিবু কুকিশিংনা 'ফিজিকেল সেপরেসন' মিংথোল্লি। মখোয়না হায়- 'মৈতৈ-কুকি অমুক হন্না লৈমিন্নবা য়াররোই, পোলিটিকেল্লি তোখায় তারবা, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমা শেম্বা নত্তনা ৱাথোক অসি ৱাখৈনবা অতোপ্পা পাম্বৈ অমা লৈতে'। কুকি ফূরুপকী এম এল এ তরা (মিনিষ্টর অনী য়াওনা) দিমান্দ অসি ফোংনা তান্দুনা থৌনা ফনা লেপ্লি। লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি ওইরুবগী ফোংনা লান য়াওদবগী ৱানি, মকোয়গী থম্মোয়দা এন্টি-মীতৈ ওইবা ফিলিং অদুদি ময়েক শেংনা মচু শঙবা ঙমখ্রবগুম তৌরে মিলিটেন্টশিংনা। লৈঙাক্লা মপূক থলহল্লবসু মখোয় মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীনি - খন্থজবা ঙমহন্দ্রে। মণিপুর পুলিসকী হেদ কন্সটেবল অমবু কুকি মিলিটেন্টশিংগা লোয়ননা শুগুনুগী মীতৈ খুল'দা এটেক তৌবা য়াওরম্মী হায়বই মরালদা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরুবা হাক্তক্তা চুড়াচান্দপুরগী কুকিশিংনা ঈরাং হৌরক্তুনা দি সী অমসুং এস পি ওফিস মৈ থাখিবদুদই হেনবা কুকিশিংগী লো-লেসনেস-প্রমান তৌনবা অতৈ করি লৈগনি?

ঐখোয় খঙই, পূম্নমক খঙই - কুকিশিংগী এরিয়াদা ঈরাং শাগৎলিবা, মীশি মীনা থোকহল্লিবা, মীরমদগী হাইজিল্লকপা মীতোপ কুকিশিংননি। অদুবু মখোয় অমগা অমগা ওনশিন্নদুনদি এটেক তৌনদে। কল্ল-থৌরবা হান্নগী লূপ পূম্নমক ইনৌ নৌনা লীংখৎপা লূপ অমগী মখাদা ঈহৌ মমায় চুম্মিন্নখি, মনা মনিল নাইনদে। লৈঙাক্কী কোক্লেন ওফিস অনী মৈ থাবই ঈরাংদুদা মীওই অনী শিখিবা, কয়া অমনা শোকহনখিবদুগীদমক কোক্লেন ওফিসর অনীমক মতম থাদুনা চুড়াচান্দপুর থাদোক্তুনা চৎখিনবা য়াথং তৌই। হাৎকনি হায়না কিহল্লি। ওথোরিটি অমত্তনা কনামত্তই মথক্তা এক্সন অমত্তা লৌখত্তে। মীতৈশিংগী মথক্তা চত্থরিবা এটেক অসিদি লেপ্পা লৈতে চত্থখিনি।

মরকসিদা মীতৈশিং! অপূনবা লিংজেল, অকনবা পাঙ্গল শাগৎপগী মহুত্তা মণিপুরগী খ্বাইদই লীরবা মহৈলূপ অমগী ওফিস'তা বোম পোকখায়হন্দুনা মহৈরোয় অমা হাত্তোকই। জুন ১৮গী ঈহৌদা অপূনবই শক্তম ওইখিবা 'অপূনবা - লূপ' অমগী ওফিস মৈ থাদোকই। অতোপ্পা লূপ লন্নাই মীওই কয়াদসু অকি অখং থোকহল্লমখি। নোং হেক ঙানবগা মণিপুরগী মীদিয়া হাউস পূম্নমক থোঙ লোনখি (হুইয়েন লানপাউ নত্তনা)। কনানা করিগীদমক চত্থখিবা এটেকনো? মীদিয়া হাউস করিগী থোঙ লোনখিবনো? কনামত্তনা শেংদোরকখিদে, মীচম মীয়ামদা খঙহনখিদে। অকনবা, শক্তি লৈবা কনাগুম্বা অমা নৎত্রগা খরনা তৌবনি হায়বদি উৎখিবা থৌওংদুনা তাকথোকচৈ। অদুগা, ফেব্রুৱারী ২৭, ২০২৪ - ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখৈ তোকপম লৈকায়দা, মণিপুর পুলিসকী এদিসনেল এস পি মোইরাংথেম অমিটকী য়ূমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক! করিগী করম্না থোকখিবা? কনানা থোকহনবা? অসিনচিংবা ৱাফম পাউচেশিংদা, সোসল মীদিয়াদা মরীক চুম্না ইনখ্রে। অমুক পঞ্জররোই। নৈননীংঙাই/খন্ননীংঙাই ওইরিবদি - মতুং তারকপা থৌদোক খরগী মতুংদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংনা 'মখোয় নোংমৈ পায়ররোই' হায়দুনা নোংমৈ সরেন্দর তৌরকপা অমদি মরু ওইবা মফম খরদা থৌনা ফনা লান ঙাকপগী থবক তৌরিবা অরাম্বাই তেঙ্গোলনা মখোয়সু 'খূৎলায় পায়ররোই' 'খুল ঙাকপই থবক তৌররোই ময়ূমদা নুংঙাইনা তূল্লুরনি' ... হায়রকপা ৱাহায় অসিনা লানগী চৈথেং কন্না ফংবা খুঙ্গংশিংগী খুঞ্জাশিং/নুপী-অঙাংশিংদা মিপাই-থবাই ৱাখল অমা পোকহল্লিবসি করিনো/ অতৈগী নত্তে কুকিশিংনা থৌনা ফরিবা খূৎলায় পায়বা মীতৈ নহা অমদি মীতৈ সিফাইশিংগা মায়োক্লবদা নত্তে, খূৎলায় পায়দবা খুঞ্জাশিং অমসুং লৌমী শিন্মী মীচমশিংগী মায়োক্তনি। খুল ঙাকপা নহারোল লৈত্রবা, কুকি থৌনা ফরক্কনি, অহিংদা নোংমৈ কাপ্লক্কনি - খল্লুবগী মিপাইবনি। ঐসু খল্লি - খুঙ্গংশিংদগী অরাম্বাই তেঙ্গোল লৌথোক্লবা, ষ্টেট পুলিস-কম্মান্দোগী মপাঙ্গল হাপত্রবা, সূগী য়ানরোলসু হন্দোক্ত্রবা, কোংগ্রেস এম এল এ রঞ্জিৎনা হায়বা চুল্লক্কনি ... 'চহী অমা-অনীগী মতুংদদি মীতৈ ফূরুপ মূৎখ্রনি'...। অদুগা মসিমসু অচুম্বনি - ইন্দিয়ন আর্মি, মে ৪দা লাক্লমদ্রবা, অসাম রাইফলনা কুকিশিংবু ঙাক্লমদ্রবা, ঈরাং অসি নহান্না নেমথরল্লনি, মণিপুর শান্তি ওইরম্লি, নোংমৈ মখোল তারল্লরোই। নৎত্রগা করিগুম্বা 'সূ মখা শাংথদ্রবা, আর্মি মথৌ তৌহল্লবা - কুকিশিংবু ঙমখৈ ৱাংমদা তকথোকখিবা নোংমখক্কী থবক্লি'।

খঙদে, ঐগীসি পেসিমিষ্ট ওইমল্লি হায়গদ্রা? মণিপুর এসেমব্লিগী ৱারেপসি থৌওইদনা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রি'না কুকিগী সূ এগ্রীমেন্ট মখা তানা শাংদোরক্কদবা মাল্লি ঐহাক্তি।- ***ইন্দ্রকুমার***

# কুমজা ২০২১গী মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি মনা ফংলবা ভিজুএল আর্টিষ্ট মাইবম মনিঙৌ

মীওইবা খুন্নাইদা ভিজুএল আর্ট হায়বসিনা পীরিবা খুদোল অসি মপাল নাইদে। মীওইবগী নুংদা লৈরিবা ফজবা মশক কয়া, লোৎতুনা লৈরিবা টেলেন্টবু য়াকাইহনবা, মীওইবা খুন্নাইদা অফবা পাউজেল কয়া পীনবা হোৎনবদা ফাইন আর্টনা মঙাল অমদি হেক হেক পীরি। মালেম তাইবঙপাল অসিমকসু আর্ট হায়বসি য়াওরমদ্রবদি ইহাঙ হাঙবা, ইকং কংবা হিংবদা নুংঙাইতবা মফম অমা ওইরম্বসু য়াই। তাইবঙপাল অসিবু শেল্লিবা তাইবঙ মপু মহাক্কী খূৎশেম অসিদা মীওইববু পূক্লিং চিংশিলহল্লিবা, মহৌশা খূৎশেমগী পূক্লিং নুংওল্লবা শক্তমশিংবু হেন্না ৱাহন্থোক লৈনা উহল্লিবা মহৌশা অমসুং মীওইবা অনীগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অমা মতম পূম্নমক্তা শাগৎতুনা নীংশিংহল্লিবসি ভিজুএল আর্টিষ্টশিংননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ভিজুএল আর্টিষ্টশিং লৈরম্বনা ঙসি মীওইবগী সভ্যতা অসি ঙসিদি অসি য়ৌনা হীরম কয়াদা চাওখৎলক্লিবনি হায়বদা লানগদবা লৈতে। পুৱারীগী লমায়শিংদা, আর্কিটেকচরদা, লৈঙাক্লোন্দা, খোরিরোলদা ভিজুএল আর্টিষ্টশিংনা শোক্লমদবা হীরম অমত্তা লৈতে। ঙসি মালেমদা মমিং চৎলবা মেজেষ্টিক ওইরবা আর্কিটেকচরেল মার্ভেল কয়া, চাউর-চাউরবা লৈঙাক্কী লোয়শঙ কয়া, মালেমগী মফম কয়াদা খিল্লিবা নীংতম লানগী নীংশিং মীতমশিং, লান পামদে হায়বা পাউজেল পুরিবা মীতমশিং, স্কুল-কোলেজ কয়াগী নীংথিজরবা ষ্ট্রকচরশিং অসিনচিংবা পূম্নমক ভিজুএল আর্টিষ্টশিংনা আইদিয়া অমসুং কন্সেপ পূম্নমক পুথোক্তুনা শাবা ঙাক্তনি।

ক্রিএটিভ অমসুং ইন্নোভেটিভ ওইবা স্কিল পূম্নমক ভিজুএল আর্টিষ্টশিংদদি পোক্লকপদগী য়াওরক্লবা মগুণ অমনি। মী খুদিংমকসু আর্টিষ্ট ওইবা ঙমদে অদুবু আর্টপুদি এপ্রিসিএট তৌবা হৈবা কয়া লৈরি। তৌইগুম্বসুং ঙসিগী য়াম্না য়াঙনা থাংজিল্লিবা মীওইবগী চাওখৎপগী লম্বেল অসিদা ভিজুএল আর্টিষ্টশিংবু অয়াম্বা মীওইশিংনা মখোয়না খুন্নাই অমদা লৌরিবা মমল য়াল্লবা থৌদাং অসি করিগুম্বা মতমদা হেক হেক শকখঙদবা ওইনা অমসুং ভেল্যু অসি কয়া থৌশাদবা অমসুং শকখঙদবা ওইনা উরকপা মতাংসু লাক্লি। মসিমক্তি চাওখৎপা খুন্নাই অমগী মচৎ নত্তে। অদুবু ঙসি য়েংনরিবা মীৎয়েং অসি থবক্লা অমসুং একাদেমিক ওইবা প্লেটফোর্মশিংদা তপ্না তপ্না শেমদোক চুমথোকপা তঙাইফদে মরু ওইনা মণিপুরদসু।

মণিপুরদসু নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লাই য়েকপা শাবগী থবক অসি অদুম্মক তৌদুনা লাক্লি। পুৱারীগা মরী লৈনবা পেন্টিংশিং ঙসিসু উবা ফংলি আর কে সী এস আর্ট গেল্লরিদা। য়াম্না ঙল্লিঙৈদা ইম্ফাল আর্ট কোলেজ লীংখৎতুনা ফাইন আর্টকী লম্দা মাঙজিল থাবা ষ্টেট অমসু ওইদুনা লাক্লবা মণিপুরনি। অসিগীসু মথক্তা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা অমুক আর্ট অমসুং কলচরদা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা চীংলৈবাক মণিপুরসিদা লমদম অসিগী লাই য়েকপা শাবগী কলা অসিবু মথৌ হাপ্তুনা পূক্লিং থৌগৎতুনা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লি লেপ্তুনা। ষ্টেটকী থাক্তা আর্ট এগজিবিসন পাঙথোক্লি। আর্ট কেম্প অমসুং ৱার্কশোপশিংসু মতম মতমগী শিল্লি। মসিদা মপাল লমদা ফাওবা পাঙথোক্তুনা লমদম



**ভিজুএল আর্টিষ্ট, মাইবম মনিঙৌ, এৱার্দ ৱিন্নর**
**মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ ফোর ফাইন আর্টস ২০২১**

অসিগী ভিজুএল আর্টিষ্টশিংবু অতোপ্পা ষ্টেটকী মমাঙদা ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংগী টেলেন্ট অদু মশক তাক্লি। হেন্না পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইরিবদি ইচং থৌবা আর্ট সোসাইটি, মণিপুর ১৯৭২দা লিংখৎতুনা ভিজুএল আর্টকী লম্দা মশক থোকপা থবক কয়া পাঙথোক্লকপা অমসুং থৱায় য়াওবা নহারোল আর্টিষ্ট কয়াবুসু মখোঙ শোমদুনা মালেমদা মশক তাক্লবা হোৎনরকপা অসিনি।

ফাইন আর্টসতা কুমজা ২০২১গী মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ ফংলবা মাইবম মনিঙৌ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেন্থা খোংবালদা লৈবা মাইবম রাজধোন অমসুং মাইবম ওংবী লৈমতোনগী মপারি ওইনা কুমজা ১৯৬৫গী ফেব্রুৱারী ১দা তাইবঙ খোঙদারকখি। মচিল মনাও মখোয় তরুক পোকপগী মনুংদা মহাক্লা অনীশুবনি। য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদগী লাই য়েকপা য়াম্না পামজদুনা লাকখি। তেন্থা জুনিয়র হায় স্কুলদা ক্লাস আইট ফাওবা তম্লবা মতুংদা ৱাংজিং হায়র সেকেন্দরিদগী ক্লাস টেন পাস তৌখি অমসুং পি য়ু সীনা খা মণিপুর কোলেজদা তম্লকখি। কোলেজ তম্না-তম্না ককচীংদা লৈবা লাই য়েকপা ওজা নোপুরুগী মখাদা পোষ্টর য়েকপা তম্লকখি। পোষ্টর কয়া য়েকখি। ১৯৮৩গী মতমসিদা অমুক থাংমৈবন্দদা লৈবা লাই য়েকপা ওজা নাওরেম অহঞ্জাওগী মখাদা লাই য়েকপা অমুক মখা তমথখি। ওজা অসিদা লাই য়েকপা তম্না তম্না ইম্ফাল আর্ট কোলেজদা ১৯৮৫দা তম্বা হৌখি অমসুং ১৯৯০-৯১দা পেন্টিংদা দিপ্লোমা লোইশিনখি। মণিপুর লৈঙাক্কী ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টতা আর্টিষ্ট ওইনা থবক ফংখি। য়ূম্বাল পূন্সিদা মাইবম ওংবী বোরনিগা পূন্সি খোঙলোয় ওইদুনা মচা অহুমগী অপোকপা ওইদুনা হৌজিক্লা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দা লৈরি।

মাইবম মনিঙৌ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা চহী খুদিংগী ওইনা পাঙথোকপা আর্ট এগজিবিসনশিংদা ১৯৯২দগী লেপ্তুনা শরুক য়াদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবদা। মসিদসু নত্তনা আর্টস সোসাইটিনা পাঙথোকপা আর্ট এগজিবিসনশিংদসু অদুমক লেপ্তুনা শরুক য়াদুনা লাক্লি। মহাক্লা য়েকপা পেন্টিংশিং ইন্দিয়াগী সহর কয়াদা, মফম কয়াদা পাঙথোকপা নেসনল থাক্কী আর্ট এগজিবিসনশিংদা দেল্লী, চেন্নাই, লক্ষনৌ, আইজোল অসিনচিংবা মফমশিংদা অমুক গ্রুপ শোশিংদা উৎলদুনা লাক্লি। অদুগা এন ঈ জেদ সী, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শিনবা নেসনল লেভেল আর্ট কেম্পশিং, ৱার্কশোপশিংদসু লেপ্তুনা শরুক য়াদুনা মহাক্লা হেক হৈজবা মওংদা চাউরবা খুদোল তমদুনা লাক্লিবা থৌনা লৈবা আর্টিষ্ট অমনি। মহাক হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী খ্বাইদগী কুইরবা ভিজুএল আর্টকী লূপ অমা ওইরিবা আর্টিষ্ট সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরিগী থৌসু পুরি।

নীংশিংবা য়াই, মহাক লেমজনীংঙাই ওইরবা মহারাজ কুমার প্রিয়োব্রত সিংহ মেমোরিএল আর্ট এৱার্দ ২০১৭সু পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা আর্টিষ্ট অমসুনি। ২০২১গী লেমজনীংঙাই ওইরবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ ফোর ফাইন আর্টসসু মহাক্কী পেন্টিং 'অন্টাইটল' হায়বসিদা পীখিবনি। মনা ফংলবা পেন্টিং অসিনা করি পাউজেলবু পুদুনা চৎলিবা, করি পাউখোঙ চল্লিবা, কনাদবু ৱাকৎলিবা পেন্দবা, নুংঙাইতবশিং পূম্নমক পেন্টিং অসিবু থৱায় তানা ঈংনা-তূমিন্না য়েংবগী তাঞ্জা অদুদা শোয়দনা থম্মোয়দা ফাওবা ঙমগনি খল্লি। নীংশিংবা য়াই মদুদি লেমজনীংঙাই ওইরবা ২১শুবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ ফোর ফাইন আর্টস অসিগীদমক ভিজুএল আর্টিষ্ট ৫২না তোঙান তোঙানবা আর্ট ৱার্কশিং থাজিল্লকখি অদুগা ৪২শুবা চহীগী পাঙথোকপা ষ্টেট এগজিবিসন ওফ আর্ট অসি ২০২৩গী ওগষ্ট ২৮দগী সেপ্টেম্বর ১ ফাওবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী গেল্লরিদা পাঙথোকখিবনি।

হায়নবা লৈ অয়েকপা লাইদি ৱাহৈনা ফোঙদোকপা ঙমদবা অদু ব্রস অমসুং মচুগী মেদিয়ম্না ৱাহৈ চাম্মা-চাম্মা ফোঙদোকপা ঙম্মী। হৌজিক হৌজিক্কী মণিপুরদা মাইবম মনিঙৌগী মনা ফংলবা পেন্টিংনা পীনীংলিবা পাউজেল অসিমক ৱাহন্থোক য়াম্না লৈ। মণিপুরগী মেপ অমসু উগনি মুন্না য়েংশিনবদা অদুগা ইমা মণিপুরনা বেকগ্রাউন্দদা ঐখোয়গী সঙাই অমসুং লোক্তাকপু নুংশিনা মথানুংদা কোনশিল্লি। পেন্টিং অসিগী চুথেকশিংদা অমম্বা মচুনা সেদ হাপ্লি। অমম্বা মচু অসিমক ঐখোয়গী য়েলহৌ শক্তমদা ঙসি থোক্লিবা ঈরাং অমসুং ময়েক শেংদবা চমম্নবা মতৌ অদুগা আইদেন্টিটিগী ইস্যুশিং অদুগী মমিসু তারি। ভিজুএল পোইত্রি অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। মতুং তারকপা পূন্সিগী লম্বেলদা হেন্না হেন্না ফাইন আর্টসকী লম্দা মশক থোকপা থবক কয়া পায়খৎলকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি অমসুং এম এস কে এগী ফাইন আর্টসকী মনা ফংলকপদা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

- *তোংব্রম অমরজিৎ*

# কৃষ্ণগী বাঁসি



মমিং পনবদি কিজৈ, মোইগী দেল্লীগী অচৌবদুনা খূবাক খু, খুবা য়াওই, মোম্বতি কৎলু কৎপা য়াওই, লোইনা য়াওরুরবনিনে। খল্লুরগা ওন্থোক্লা চাকথেকখ্রেদা। ''ইনে কৈন্যানদি কানদে মোম্বতি কৎপা শেল তিংনবনি হায়রকপদা মীগী দুকান মমাঙদুদা তপ তানা লাউনদুনা খৎনখিবদো ওন্থোক্লা ইকায়খ্রেদা খল্লুরগা।'' মালেমগী ওইনা অসুম সুম লুশিল্লক্লে, মণিপুরদসু য়ৌরক্তুনা লোকদাউন মনুংসি ওন্থোক্লা ৱানা খাঙলে শেল মনা অমত্তা ফংদনা ঐজ্ঞা অচৌ। লৈকায়দদি শেল পায়খৎলকপগী মমিং শোন্নবদা অদুম য়াওই। করিগীনো হায়বদা দেব-কর্ম্ম, উশোপ-মেলাগী চান-থক্লবা, অচৌ-অচৌবা ফঙ্কসনগী চানবা সপ্লাই তৌবদা। হান্নদি মারুটি অমনবা অমা থৌরম্বদু, করবারসু য়াবা হায়দনা ইকো ভেন অমা বেঙ্কতগী ইরায় লায়না লোন ফংদুনা লৈবদা ঙাইরি।

করম তৌসিগে খল্লে লোকদাউন মনুংসি ঐজ্ঞা অচৌ। মমৈথংদা মপানা হায়রম্বা ৱারী অমা খংনীং নীংশিংলক্লে। অদুদি অসিনি... 'লাইশঙ মনুংদা লাৎলিবা শ্রী কৃষ্ণগী বাঁসি অসি সনানা শাবনি'। আশা উরে ঐজ্ঞা অচৌ। মাগী লোয়নবী থৌরানিদুনা তূমথখিবা ঙাইরে । নোংমা অহিং অমদি তূমিন্না লাইশঙ মনুংদগী বাঁসি অদু লৌথোক্লে অদুগা সনা শাবা খুরা মেরাজ ঙাউহোইদা বন্ধান থমগে হায়রুরে। খুরা মেরাজাওনা সিদি সনা নত্তে। নচিন থিবগী পুলিস তাকউরা নৎত্রগা প্রিন্ট মীদিয়া, ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়াগী পাউমী কৌরা, হয়েং নোংঙাল্লগা মীদিয়াদা শলাক শাহল্লুরা ঐজ্ঞা নঙ। খুরাগী ৱাহৈদু তাবদা ঐজ্ঞা অচৌ শ্বাই লাউই।

খুরা মেরাজাওনা হায়, 'নঙনা বন্ধান থমগে লাক্লিবা বাঁসিদুদি ঐনা শাখিবনি, ঐ খঙই মসি সনানা শাবা নত্তে।'

হা...।

'ঐজ্ঞা পাবুং লৈরিঙৈদা ঐঙোন্দা ৱারী লীবিরম্মী, অঙাংশিংনা হয়েংৱাই লাই সেবা তৌনীংলক্তবা মতমদা বাঁসি অসি সনানা শাবনি হায়রদি বাঁসি অসি অসুম শেন্নজরনি হায়দনা হায়জিল্লম্বনি...'

মীরোল লৈতবা খুরা মেরাজাওনা লৈকায়দা হায়দোকপীরোই, মীদিয়াদা হায়দোকপীরোই, ঐগী মতেং খরা পাংবীবা ওইনা নুমিৎ খুদিংগী চাক খরা থোংবীয়ু দক্ষিনাসু পীজগে হায়বদগী য়ানবা পুরক্লে, খুরা মেরাজাও অমদি ঐজ্ঞা অচৌ।

ঐজ্ঞা অচৌগী লোয়নবী থৌরানিনা 'ঐখোয় ঐজ্ঞানা নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা চৎলিসি কদাইদনো হায়না চিংনবা হৌরে। নোংমদি তূমিন্না ইন্নদুনা লুমদুনা য়েংবদগী খঙলে ঐখোয় ঐজ্ঞানা চৎলিসিদি খুরা মেরাজাও হোয়দা চাক থোংবা চৎপা ওইরল্লে।

তাঞ্জাদুদা খুরা মেরাজাওনা থৌরানিদুগী মতৌদু উথোকখ্রে।

'তারিব্রা থৌরানি' হায়রকপদা শ্বাই লাউই থৌরানিদু।

'ৱারৌনু ঐগীদি মীরোলসু লৈজদে ঐহাক্লা ঐজ্ঞাগী চাউরবা ঈজৎ অমদি কল্লবনি, ৱারীদু ঐজ্ঞাদা লিহল্লু'। (কোভিদ লাল্লক্তা ইখিবা)

*-আর কে বুধিমন্ত কর্টা*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৫

১) **''সন্ধ্যাগী ঈশৈ : নুংশিবগী নুংশিবা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবা অসি কনানো?
২) **''এসিয়াগী অনৌবা ৱারীসিং''** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৩) **''মরূ হুনবা''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?
৪) **''শজিবুগী লৈহাও''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
৫) **''ননাক্তা লাক্কে খল্লিঙৈ**
**অহিংসিসু অমুক ওইরক্লে**
**নঙগী মঙলান্দা য়াওরগে খল্লিঙৈ**
**অয়ূক্কী মঙালনা হাল্লক্লে।''**
ঈশৈ মতেক অসি শক্লাইরবা ঈশৈ শৈরেংবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অমদি লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।